থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঐগা-মাগা, ঈচাগা-ঈমৌগা ...

দেহরা-দুন'দগী ঐগী মরূপ অমা লৈ। মচা নুপা অনী, নুপী অমা লৈ। ময়ুম লোইনা পানখরে। নুপীদুনা বেঙ্গলোরদা, নুপা অনী অদুগী থবক্কী মফম তোঙানজখ্রবসু ময়ুমদি দেহরা-দুনগীদুনা ওরিজিনেলনি। অতোনবদুদি দেহরা-দুন্দা থবক তৌই, অহন্দুনা মোরাদবাদ'তা। মাগী ৱারী, ইন্টরেষ্টিং ওইবা অমা লৈ। ৱারী অদু ময়ামদা থম্মোয় পাউদম ওইনা তন্নুবা কান্নগনি খন্দুননি ঙসি কলম পায়খলুরিবা। য়েংশি, ৱারীসি তাবা য়াবরা?

অমগা অমগা পঙলাপ লাপ্পনদনা ময়ুম অহুম শাই। অমমমদা মী মঙা-তরা কোম্না লৈমিন্নবা য়াবা ঙাক্তনি। মচা নুপা অহলদুগী পীক্লিবা মশু অনী, অতোনবগী অমা। 'নশুশিংদুগা লোয়ননা নুংঙাইনা লৈমিন্নবা য়াদ্র সতিস নঙবো ? য়ুম হায়র মচা নত্তে .. নশুশিংসি নুংশিদ্রা য়েংঙু ...' নোংমা নুমিদাং অমা মচা-মমৌ-মশু লোইনমক্কা দিন্নর অমখক চামিন্নবগী পুনবদুদা হায়খিবনি ঐহাক্না। মমৌ-নুপী অনীমক্তু মশক থোইনা থীবা নত্তে, রাশি অমমম চিপক্লে।

অনীশুবা ষ্টীস্কি-পেগ লোইশিল্লকপগী তাঞ্জা'দুদনি। নোকফেৎ তৌনা খুল্লকখি ... 'নঙনা ঙসি উরিবা মনেম-মমৌ (মনি-মনৌ হায়নবা, হিন্দিদনা সাস-হহু), মৌ-মশেন নুংশিনবই মতৌসি, ঐনা ঈচা নুংশি হায়দুনা পুল্লপ লৈমিন্নরল্লবা, কেদৌঙৈদা উরল্লোই'। মহাক্কী পাউখুমদু মীপুম খুদিংনা য়ানিংবা পাউখুমদি ওইরমদবা য়াই। অদুবু, ৱাখল খন্থনীংঙাই অমদি য়াওই। ৱারী মখা চত্থখি। চহী লীচা-লীপুন কয়াদগী ঈমুং-মনুং লিংদুনা লাক্লবা মীওইবগী ৱারীদা মনেম-মমৌ অনীনা মমা মচাগুম নুংশিন্না লৈমিন্নবগী ৱারী অমত্তা লীনরমদ্রিবসি করিগীনো? ইকুই কুইদ্রি কোল্লম অসিমক্তদা ইশুসিগা মরী লৈনবা পাউদম অমসু ইখিবা মাল্লে। করি ইখিবনো হায়বদুদি নীংশিংদ্রে। অদুবু 'মমৌদুনা নুংশিরিবা, মথ্বায়মক্লি হায়রিবা, মনেমদুনসু নুংশিরিবা, খোল্লাং পীথক্তুনা য়োক্লকখিবা মীশক্তুদি অমত্তা ওইরগা, অনীসিনা অসুক নুংশিনদ্রিবসি করিগীনো' হায়বা ৱাহংসিমদি হংখিমাল্লে পাউদমদুদা। মশিং খঙদ্রবা মীওইবা খুন্নাইসিগী পীক্লবা য়ুনিট অমমম ওইবা ইমুংসিদা লোইনাইদ্রবা ৱাথোকসি থোক্তনবা হোৎনদ্রিবসি করিগীনো? মনেমগী শক্লোন লৌরক্লিবী নুপীদুসু মতম অমদা, য়ুমদুদা মৌ ওইনা লাকখিবনি। মঙোন্দা থোকখিবা নুংঙাইতবা পুন্সি মহিং অদু নৌজরিবী মচাগুম্বী মমৌদুদদি থোক্তনবা থৌশিন অমা, মশানা য়ুম্বুরেম্বী ওইরবা ইমুংদুদা শেমগৎত্রিবা করিগীনো? ঈশামক্তসু থোকখ্রবা, ঐনা অহল ওইরক্লবা মতমদসু অমুক হন্না থোক্লক্কনি চিংনরিবা ৱাফমসি, ঙসিদি মনেম ওইদ্রিবী ঐগী পুন্সি খোঙলোয়সিদা ইতৎ তত্তনা হায় ঐনা ... 'লাক্কদৌরিবা নমৌ অহুমদু, নচানুপী অমত্তা নতমপাক্তা পল্লকখিদ্রবী নঙগী নমোম অহুম্নি খন্দোকউ, নমৌদুনা নহাকপু মমামক্লি খন্নবা, ৱাখলদু খনবা ঙমদবগীনি, মনি-মমৌগী লোইনাইদ্রবা লান-অইবা, অইবী কয়াগী ৱারীগী মচাক ওইরিবা '...।

ঐনবুদি খল্ল'নি, করম্বা ইমুংদগী হৌরকপীনো খঙদ্রিবীদুগী ৱাখলদি ঐনা করম হোংহল্লুবা ঙমগনি? অইবগী কলপনাদু নঙগী ৱাখলদা অসুম লৈসনু। ৱাখলগা তাইবংগা তায়োন্নবদুনবু তাইবংপানবা ওইরিবনি, অনীংবা খুদিং থুংলগ'বু অইবগী ৱারী থোকখিদ্রা ?

মাগী ৱাখলসিসু অতোপ্পা মথেল অমনি। ঐনা মতম কুইনদগী খনজরকপা ৱাখল অমনি - ঈচাশিংসি লুহোংবা মতুং, মঙানি চাক্কৌবগী নোংঙানবগা তোঙানবা চাকখুম লিংহনগে, লুহোংবগী অওং-অউন হায়দুনা য়ুম অমা পানবদা, ঈমুং অমা লিংবদা চঙগদবা পোৎ-চৈ-মচাক-মথুম হাপ্পরিবসিগী ৱাহন্থোক লৈহনগে, মদুনা নুংশিবগী মরী চেৎহনগনি, মতম কুইনা উংখৎনরগা খৎনবগী তানফম লাক্ল'কান তোঙান চাবগী চৎনবীসি হোংদোক্কে। ঐগী নুপীমক্তসু সেয়র তৌদবা ৱাখলসিগা, ঐগী মরূপ সতিস শর্ম্মগী ৱাখলদুগা মান্নবা খরা লৈরম্মী। মমানা মচাগী মফমদগী আশা তৌবা, নুংশিরবা মচাদুগীদমক ৱাজবা, ময়ুম-মকৈ পাল্লফাও মখুৎনা চাক ইন্দুনা পীজরিঙৈ থাক্তুগুম খঞ্জবা ৱাখল, ঙকশমদা কুন্দো পরেং হুক্লদুনা, পুন্সি-লীপুন অমনা পুনখিবা মীকৃপ্তুদগী অতোপ্পা লল্লানবী অমগী ওইখিবা, মমৌদুনা মহাক্কী হক মুনখিবগুম খল্লকপা ... হক মুন্নবগী লাননি মনেম-মমৌগী লান, কনানসু ৱাতেম্বা ঙল্লরোইদবা। শর্ম্মানা মচা অনীদুবু তোঙানবা য়ুমদা লৈহনখিবা, তোঙান চাবা হায়বা ঐখোয়গী থৌওংদুনি। চাওখৎলবা লমশিংগী 'লুহোংবা নুমিৎ অদুদগী মমা-মপাগী য়ুমদা লৈবা য়ারোই' হায়বা লো'দুগুম্বনি। লুহোংলকপা নুমিত্তগী অমত্তা ওইখ্রবা নুপা-নুপী অনীদু মচানা মমৌগী ওইখ্র'সু হনুবা-হনুবী ওইরফাও থাদোক্লবা য়াদ্রবা পুন্সি খোঙলোয় ওইনবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈনি।

কাউবীগনু - শোন্দ শোনজীল্লক্লবা মতমদুদদি, মখোয় ননাক্তুদা লাক্কনি। অদুনবু কৌরিবনি মীওইবা !

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# য়ূমদা সাইনস তেংথোক্লবা থৌরাং

সাইনস ফ্লদ হায়বসি য়াম্না শম্না নাতোনবু তেংথোকপা হায়রবসু য়াই। থুমহী শীজিন্নদুনা সাইনস ফ্লস তৌবা হায়বসি নাতোন ফুনবা অমদি সাইনস ইরিটেসন ফহন্নবগীদমক মীওই অমনা হেক্তা য়ূমদা তৌজবা য়াবা অফবা অমদি অরায়ব থৌওং অমনি।

নেজল ইরিগেসন হায়রগসু খঙনবা সাইনস ফ্লস অসি অয়াম্বনা সেলাইন ৱাটর শীজিন্নদুনা পাঙথোকই। সেলাইন ৱাটর হায়বসি থুমহীবুনি। থুমহী শীজিন্নদুনা তেংবা মতমদা নাতোন মখূলদা লৈরম্বা এল্লর্জেনশিং, ম্যুকস অমদি অতৈ অমোৎ অকায়শিং চামথোকই অমদি ম্যুকস মেম্ব্রেনবু চোৎ চোৎ লাউনা থম্বদা মতেং পাংই।

মীওই খরদি নেটি পোৎ কৌবা খূৎলায় মখল অমা শীজিন্নদুনা থৌওং অসি পাঙথোকই, অদুবু ইসক্কিজ বোট্টল নৎত্রগনা বল্ব সিরিঞ্জ শীজিন্নরবসু য়াই।

সাইনস ফ্লস হায়বসি খুদোংথীনীংঙাইদি ওইদে, অদুবু থৌওং অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈদা লৌখৎকদবা মরুওইবা চেকশিন থৌরাং খরদি লৌখৎপা মথৌ তাই। ইহান হানবদা তৌগদবদি সেলাইন সোল্যুসন শেম্বনি। শেম্বগী মওংদি য়াম্না চম্না লুম্বু-লুম্বু শাবা ষ্টেরাইল ৱাটরগা অশেংবা থুমগা য়ানশিল্লগা শেম্মী। মসি শেম্বদা ষ্টেরাইল ৱাটর শীজিন্নবসি য়াম্না মরূ ওই। নৎত্রগদি নেগ্লেরিয়া ফোলেরি কৌবা পেরাসাইটিক অমিবা মখল অমনা থোকহনবা য়াম্না শাথিবা ইনফেক্সন অমা থোকহনবা য়াই। হায়রিবা অমিবা অসিনা সাইনসতা চঙখ্রবদি ব্রেন য়ৌখিদুনা মীওই অদু শীহনবা ফাওবা য়াই।

ঈশিংবু ষ্টেরাইলাইজ তৌনবগীদমক মিনিট অমা শৌহল্লবা মতুংদা ঈংথহনগনি।

সাইনস ফ্লস তৌবগী ষ্টেপশিং মখাদা পীরি:

১. মফম চাবা অমদা লেপ্তুনা কোক নাকল অমদা চেপথগনি।

২. ইসক্কিজ বোট্টল নৎত্রগনা বল্ব সিরিঞ্জ নৎত্রগনা নেটি পোট শীজিন্নদুনা সেলাইন সোল্যুসন অদু মথক থংবা নাতোন মখূলদা তপ্পা তাহনগনি।

৩. থাদখ্রিবা সোল্যুসন অদু অতোপ্পা নাতোন মখূল অদুদা তাহল্লক্কনি। অসুম্না তৌরিঙৈ মতম অসিদা নাতোনদা নীংশা হোল্লোইদবনি, চীন্দা হোনগদবনি।

৪. চপ মান্নবা মওংদা অতোপ্পা নাকল অমদুসু তৌগনি।

৫. ঈশিং অদু খৌনাউরোমদা চঙখিদনবা হোৎনগদবনি। মসিগীদমক ঙক পৈথবগী চাং অদু শেমগনি।

৬. অসুম্না তৌবা লোইরবা মতুংদা নাতোনদা য়াওবা ম্যুকসশিং অদু টিস্যু পেপর শীজিন্নদুনা তপ্পা কামথোক্কদবনি।

করিগুম্বা সাইনসকী সর্জরি তৌখিবা কুইদ্রিবা ওইরগদি নাতোন কাপ্লোইদবনি।

চেকশিনগদবশিং: সাইনস ফ্লস তৌবা মতমদা ইনফেক্সন তৌবা য়াবগী খুদোংথীবা খজিক্তং অমদি অতোপ্পা সাইদ ইফেক্ট খরগা লৈ, অদুবু মখাদা পীরিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি কাঙলোন চুম্না ঙাক্লবদি খুদোংথীবশিং অসি থোকহন্দবা য়াই:

- সাইনস ফ্লস তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা খূৎ নীংথিনা হামদোকপা

- টেপ ৱাটরগী মহুত্তা দিষ্টিল ৱাটর, ফিল্টর্দ ৱাটর নৎত্রগনা শৌহল্লবা ঈশিং শীজিন্নবা

- নেটি পোট, বল্ব সিরিঞ্জ নৎত্রগনা ইসক্কিজ বোট্টল অদু শীজিন্নবা লোইরগা ফোঙ ফোঙ শাবা, ষ্টেরাইল ৱাটর শীজিন্নদুনা নৎত্রগনা দিসৱাসর শীজিন্নদুনা শেংনা চামথোক্লবা মতুংদা মপুঙ ফানা কংহনবা।

- মরূওইনা সাইনস সর্জরি তৌখিবা মীওইশিংনা অঙৈংবা ঈশিং শীজিন্নদবা।

- য়াম্না শাবা ঈশিং শীজিন্নদবা

- সেলাইন ৱাটর অদু অনৈবা মচু ওইরক্লবা নৎত্রগনা মোৎশিল্লক্লবদি হৈদোকখিবা

- অপীকপা অঙাংদদি নেসল ইরিগেসন নৎত্রগনা সাইনস ফ্লস অসি তৌরোইদবনি।

- মায়দা অশোক অপন য়াওবা নৎত্রগনা ন্যুরোলোজিক নৎত্রগনা মস্ক্যুলোস্কেলেটেল প্রোব্লেমশিং লৈরগদি থৌওং অসি তৌরোইদবনি, মরমদি মসিনা মরম ওইরগা খুদোংথীবা কয়া থোকহনবা য়াই।

খুদোংথীবা অমদি সাইদ ইফেক্টশিং: মথক্তা পনখিবগুম্না ষ্টেরাইল ৱাটর শীজিন্নদ্রগদি নেলগ্লেরিয়া ফোলেরি কৌবা পেরাসাইট অসিনা ইনফেক্সন থোকহনবা য়াই। ইনফেক্সন অসিগী সিম্পটোমশিংগী মনুংদা- কোক য়াম্না কন্না চীকপা, ঙক লৈবা নুংঙাইতবা, লাইহৌ, ৱাখল লৈতাদবা, সিজর (য়াঙ চিংবা), কোমা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

কাঙলোন চুম্না তৌরগদি সাইনস ফ্লস তৌবগী সাইদ ইফেক্ট কয়া থোকহন্দে। অদুবু ইচম চম্বা খর খুদম ওইনা নাতোন মনুংদা নাবা, হাকথি খনবা, নাকোং ঙংবা, নাহী তাবা (নাহী তাবদি য়াম্না তাঙনা থোকই) অসিনচিংবশিং থেংনবা য়াই।

সাইনস ফ্লস তৌবদা নুংঙাইতবা ফাওরগদি থুম হাপ্পগী চাং হন্থদুনা য়েংবা য়াই।

করিগুম্বা নাতোন ফূনবগা লোয়ননা লাইহৌ ৩৮.৯°C নৎত্রগনা মসিদগী হেন্না তৌবা, নপকী মচু অশংবা ওইরকপা নৎত্রগনা ঈ য়াওরক্লবা, ম্যুকসকী মনম য়াম্না কল্লবা, নীংশা হোনবদা নাতোনদা মখোল থোকপা, মীৎতা মশেং মরাং উবা অসিনচিংবা নুংঙাইতবশিংসু থেংনরগদি দোক্তরদা তানগদবনি।

# তোঙান-তোঙানবা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা ১ শিরে, ৯ শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা গাড়ি এক্সিদেন্টতা নুপী মরি য়াওনা নুপা মঙা অশোক-অপন নংখ্রে। অদুগা থবক শুবা শিন্মী অমনা ট্রক অমনা থোম্বদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙসি নুংথিল ইম্ফাল মোরে লম্বীগী লোকচাও থোং মনাক্তা থোং শাবগী থবক শুবা য়াওবা শিন্মী অমা লম্বীদা লাকপা ট্রক অমনা থোম্বদা লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে হায়রি। থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকেখিবনি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা শিন্মী অদুগী মমিংনা লৈশাংথেম রিসিকান্তা (৩৮) অপোকপা এল মণি কৌই। মহাক শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবনি।

লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু ঙসি নুংথিল মোরে পুলিসনা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক জে নিমসকী মোর্কতা থমখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা ট্রক (এন এল ০২০-৩২৪৩) অসি কলকতাদগী পোরেম কররুৱা কৌবা অমনা থৌরকপনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মোরে পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

অমরোমদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা মতমদা লম্লাই পুলিসনা কোনবা ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীগী শওমবুং থোংখোঙ এরিয়াদা কার অমা মশা মথন্তা এক্সিদেন্ট থোকপদগী গাড়ি অদুনা তোংলকপা নুপা অমগা নুপী অমগা শোকপদগী মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

মরকসিদা ঙরাং ইম্ফাল জিরি লম্বীগী নুংবা পুলিস ষ্টেসননা কোনবা রেংপাঙ এরিয়াদা মিনি ট্রক অমা লোক্তা ওন্থাবদা মিনি ট্রক অদুদা তোংলকপা নুপী অহুম অমদি নুপা মরি শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

# 'কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবসি ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকপীয়ু হায়না মোনিটরিং সেল ওফ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন ২০১৯-২০ সেসনগী কনভিনর সেরাজউদ্দিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মাঙজৌননা লাউথোকখিবা কোদ ওফ কন্দক্টকী পোইন্ট ১৪ অদু ঙাক্না চৎকদবনি। ইলেক্সন মনুংদা আইদেন্টিটি কার্দ য়াওদনা চঙবা অমদি দুপ্লিকেট আইদেন্টিটি কার্দ শীজিন্নবা য়ারোই। আর ও অমসুং ইলেক্সন কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মোনিটরিং সেল, ফ্লাইয়িং স্কৱাদ টিমশিং লাকপদা কোলেজ কেম্পস মনুংদা চঙহনগদবনি। মখল অমত্তগী প্রোব্লেম লাকপদা মোনিটরিং সেলদা পাউ পীবীয়ু। ইলেক্সন মনুংদা মীতোপ অমদি কোলেজ মহৈরোয়, আইদেন্টিটি কার্দ পায়রবা মোনিটরিং সেলগী কোওর্দিনেটর, য়ুনিট মেম্বরশিং নত্তনা অতৈ কোলেজ কেম্পস মনুংদা চঙহন্দনবা আপিল তৌরি। কোলেজ য়ুনিয়ন ইলেক্সন অসিদা শরুক য়ারিবা পুম্নমক্না ইলেক্সন অসি ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# খোঙজংশিং শৌগৎলি : এসোসিএসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ৭ (ঐচ এন এস) : হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা তুংগীদমক খল্লগা ইরৈচাশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিংদা শৌগৎলি হায়না ওল মণিপুর রেকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফ্যের এসোসিএসন ইম্ফালগী সেক্রেটরি সী ঐচ শ্যামচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চিরবা তানফম অসিদা স্কুলশিংদা থবক তৌরিবা অমদি মহৈ তম্লিবা পুম্নমক পুকচেল অমত্তা ওইনা ইরৈবাক্কীদমক লেপ্লি। থা অসিগী ৯ গী অয়ুক পুং ১১ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ১ ফাওবা মাগী মাগী স্কুলশিংগী থোঙ্গালদা, লম্বীদা থোক্তুনা ইরমদমগীদমক লেপ্লি হায়বা খোল্লাউ অমদি হ্যুমেন চেন শেমদুনা কোকোমিগী খোঙজং শৌগৎলি হায়বদু উৎকনি।

ওল মণিপুর রেকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা স্কুল খুদিংমক অমত্তা ওইনা খোঙজং অমদি খোল্লাও লাউবীয়ু। কোকোমিনা ইরবাক্কীদমক চঙশিল্লকপা থবক খুদিংদা এসোসিএসন্না ফিজি-কেল্লি অমদি মোরেল সপোর্ট পীগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৮।১১।২০১৯ ইং, ইরাই, নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.২৫ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ১১ নি পাল্লি, মতুং ১২নি পানগনি।

**মেষ :** অফ-ফত্ত য়ান্নবা নুমিৎনি। মরূপ-মপাং য়াম্না লোয়নদবা ফগনি অমদি অয়েৎপা চেল্লি। লাই-গুরুনা চানগনি, লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগনি, পাউ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ :** মরুপনা চানগনি অমদি নিংহন্নদনা মাঙলোমদা চংশিনবনা মায় পাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইগনি। অফবা থবক্তা শেল থাদবদি তুংদা কান্নবা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** চিংনবা অমদি কিবা খরদি লৈগনি অমদি নোল্লুকপা হৈত্রদি অচানবা কাইনবগী নুংঙাইতবা নংগনি। অদুবু নীংবা মপা চাবা, শেল-থুম কান্নবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি-ঈংথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** থবক পাংগনি, মীংচৎ ফংগনি, হায়জবা তাবীগনি অমদি য়েৎনবা কোক্কনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইতে, মীচং ৱাৎকনি, লন চেকশিল্লু অমদি হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাইখুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** পন্দুনা লৈরুবা শেল/লন ফংবা য়াবা লাক্লে। লৌশিং থোকই-নুংঙাই, পাউসু নুংঙাইবা তাই অমদি অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি। অফা অপুন্নবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** ঙসিসু খ্বাইদগী হেন্না ওইজ-ওইথক ফংউ হায়বা লৈ-অদুনা খুৎচাও থানা থৌ পাংবা অশিংবা তাগনি। ৱাঙাঙ চেকশিনবা, শাওগত্তবদি তঙাই ফদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** কোক শাবা খরদি লৈগনি-অনম তানগনু। অঙনবদা লন খরা ফংগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং ফংগনি। ফিংলদি মাঙবতা থংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** অফ-ফত্ত য়ান্নগনি। থৌনা ফুদোক্লদি শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাক্কনি, ঙাঙ-শকপা হৈগনি অমদি লৌশিং ফংগনি। নঙগী ওইবা মীনদি শুংচান চাল্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** নথক থোংবনা লুনা তৌগনি অমদি লৈঙাক্কী থবক্তা মায় পাক্কনি। অদুবু অফা অপুন্নবা, লৌশিং থোকপা ৱাৎপা,খৎনবা থোক্তনবা লৌশিং চাওবা লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** অফবনা য়াম্না হেনবা নুমিৎনি। শেল ফংগনি, থাজদনা মীগী মতেংসু ফংগনি অমদি লিংজেল লৈনা থবক পাংবা য়াগনি। অনীংবদু চিংনদনা পাংউ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** ফত্তবনা হেল্লি ৱাঙাঙ হৈয়ু অমদি ঈং-তপ্পা কাউগনু। মতম খজিক চোন্থবনা তুংদা মাঙগদবা কয়াদগী কনবা ঙমগনি হায়বা কাউগনু। নাইতোম থৌ পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** মরূপ-মপাংগী মতেং ফংগনি, মীনসু থাগৎপিগনি অমদি নীংবা মপা চাগনি অদুনা ইনশিনবা ঙাইদনা খুৎচাও থাহৌরো। হুরানবদগীদি খুকউ শেল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# 'অনটাইটল'

লাইশ্রম হেনথোইবা







Laishram Henthoiba is currently a Student at National School of Design, Ahmedabad.